HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
Vol. 45, Issue No. 056 | থাংজ, কালেনগী ১০নী পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, May 22, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিগী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ডা. থাংজম ধবলিনা চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দা দোনেট তৌবা লুপা লাখ ১০গী শেনফম চীফ মিনিষ্টর মশাদা খূৎশিন্নখিবা

থৌদা ভাবোক লৈকায়গী মীফমনা ৱারেপশিং লৌখ্রে
☛ লামায় ৩

মেকোলা পি ঐচ সীদা সেনিটাইজর, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট খূৎশিন্নখ্রে
☛ লামায় ৬

পুং ২৪ দা অনৌবা কেস ১,১৮৩ থেংনখি, ১০ শিখি
☛ লামায় ৭

ইন্টরনেট এক্সপ্লোরর কুমজা ২০২২ দগী মথৌ তৌররোই
☛ লামায় ৮

রজিব গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা মপোক কুমওন্দা বিষ্ণুপুরগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মীৎয়েং মখাদা দি সী সীনা য়ু দি সীগা খূৎশম্নদুনা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অমদি অচা-অথকশিং য়েন্থোকখিবা



# লৈঙাক্লা গুজরাটতা ওর্দর তৌখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দর ২০০০গী মনুংদা ২৫০ থুংলরে

## পোজিটিভ কেসতগী ফগৎলকপগী মশীংনা হেনগৎলক্লে



নুমিৎ খরনিগী মনুংদা থবক হৌরগদবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল কেম্পসকী ওক্সিজেন প্লান্ট

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চৈথেং মায়োক্লরকপদগী তঙাইফদনা কোভিদ পেসেন্টশিংগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা মথৌ তারিবা ভেন্টিলেটর (ওক্সিজেন) মরাং কায়না থম্ন বগীদমক লৌখৎলকপা থবকশিংগী মনুং চন্না গুজরাটতা লৈবা মেন্যুফেকচরর অমদা ওর্দর তৌখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দর ২০০০গী মনুংদগী অহানবগী ওইনা সিলিন্দর ২৫০ থুংলখিবগা লোয়নন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল কেম্পসতা শাবা লোইশিল্লক্লবা ওক্সিজেন প্লান্ট অথুবা মতমদা থবক হৌগদৌরি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গুজরাটকী মেন্যুফেকচরর অমদা ওর্দর তৌখিবা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২০০০গী মনুংদগী অহানবা কন্সাইনমেন্ট ওইনা সিলিন্দর ২৫০ সিলচর য়ৌরকখিবগা লোয়নন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌশিনখ্রে। হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দর ২৫০ অসি নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা সী এস আরগী খূত্থাংদা ফন্দিং তৌবনি হায়রি।

ঙসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিলচরদা লৈবা এয়রফোর্স বেজ দগী দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৮২ ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখি। মসিগী মনুংদা সিলিন্দর ১০৫না সেলকো ফাউন্দেসনন্না দোনেট তৌরকপনি। অদুগা লেমহৌরিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা কামজোং, চুড়াচান্দপুর অমসুং তমেংলোংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা লৌশিল্লগনি হায়রি।

লোয়নন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেম্পসতা নোংমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০ পুথোক্নবগী পান্দমদা শাগৎলক্লিবা প্লান্ট অসিগী থবক থৌরমশিং অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা চখরকপদগী হৌজিক লোইশিল্লকখিবগা লোয়নন্না শাংলবদা নুমিৎ নীনি/হুমনিগী মনুংদা শোয়দনা ওক্সিজেন জেনরেসনগী থবক হৌরগনি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈখিবা অনৌবা প্লান্ট অসিগী ফীভমদা ওক্সিজেন ...মখা লামায় ৩ কলম ২




# শিজ হোস্পিটালনা কোভিদ ৱার্দ অমসুং আই সী য়ুগী ফমুং মশীং হেনগৎহনগদৌরি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলগী হেল্থ সিটিদা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মতমগা চুনরবা খূৎশু খূৎলায়শিং থমদুনা অচৌবা হোস্পিটাল অমা ওইরিবা শিজ হোস্পিটালনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরিবা মীয়ামগী য়েংদুনা লায়েংশঙ অসি কোভিদ ৱার্দ অমসুং আই সী য়ুগী ফমুং মশীং অথুবা মতমদা হেনগৎহন্নবা হোৎনরি হায়রি।



শিজ হোস্পিটালগী কোভিদ ৱার্দতা পেসেন্টশিং লায়েংবা

ৱাফম অসি হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সোরোকখাইবম জুগিন্দ্রোনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, হৌজিক শিজ হোস্পিটালগী কোভিদ ৱার্দতা লায়না অসিগী পেসেন্টশিংগীদমক ফমুং ১৪৩ তোঙান্না থল্লি। অদুগা হোস্পিটাল অসিগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) গী ওইনা লৈরিবা অপূনবা ফমুং ৭৫গী মনুংদনা ফমুং ৪৪ কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক খাক্তুনা থল্লি। অদুবু কোভিদ ৱার্দ অমসুং আই সী য়ুগী ফমুংশিং অসিনা কোন্নরক্তবদগী অথুবা মতমদা ৱার্দ অমসুং য়ুনিট অসিদা অহেনবা ফমুং মশীং হাপচিন্নবা হোৎনরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক খাক্তুনা থল্লিবা ফমুংশিং অসিদা অমত্তা হাংদনা নুংতিগী পেসেন্টশিংদা পীফম থোকপা ত্রিটমেন্টশিং পীবদা ডাক্তর অমসুং নর্স অমদি মথৌ তাবা ষ্টাফ ১৫০না মাঙজিল থানা হোৎনরি। অদুবু হোস্পিটাল অসিগী লৈজরিবা অপূনবা ষ্টাফশিংগী মনুংদগী মীওই ৪৫০দগী ৫০০ রোম্না মখোয়গী মতেং পাংশিল্লি। কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ হৌরকপদগীনা ঙরাং ফাওবগী ওইনা হোস্পিটাল অসিদা ত্রিটমেন্ট পীখিবা অপূনবা কোভিদ পেসেন্টগী মশীং ৮৫৪শুখ্রে হায়রি।

অদুবু, য়াম্না সেরিয়স ওইদ্রিবা পেসেন্টশিং খক্তমক এদমিট তৌদুনা লায়েংলকপা অসি ফাওবদা মহৌশাগী মতমদা পেসেন্ট অমমমদা শুপ্নতগী ওক্সিজেন লিটর ২/৩ খক্তমক মথৌ তারম্বদু হৌজিক্তি পেসেন্ট অমদা য়ামদ্রবদা ওক্সিজেন লিটর ৪০দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা চঙবা য়াওরে। অয়াম্বা পেসেন্টশিংগী মনুংদগী সেরিয়স ওইরবা ষ্টেজদা এদমিসন তৌনরকখিবনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবগী থৌদোকসু অদুমক মায়োক্লরি হায়রি।

অমরোমদা, হোস্পিটাল অসিদা হৌজিক বি টাইপকী সিলিন্দর ৩০ রোম য়াওনা নোংমদা দি টাইপকী সিলিন্দরশিংগা পূল্লগা সিলিন্দর ২৫০দগীনা ৩০০ ফাওবা রিফিল তৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## এক্সিদেন্টদা অমা শিরে, অনী শোক্লে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ঙরাং নুংথিল চুড়াচান্দপুরগী পিয়রসনমুন খুলগী চীং লম্বীগী টর্নিং অমদা উ পুরকপা ৪০৭ ত্রক অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা সন্তিং ভিলেজ দগী সাংজিনলাল (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা লৈখাই লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে। অদুগা নুপী অমা য়াওনা মীওই ২ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

## দোনেট তৌগনি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্নিসিয়ন্স এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা দ্রাইভর অমসুং টেক্নিসিয়নশিংনা মখোয়গী নোংমগী তোলোপকী শেনফমশিং চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌনবা ৱারেপ্লখ্রে।

## অঙাংশিংগা লোয়নবশিং হীদাক কাপথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ষ্টেট অসিগী অঙাংশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী মখোয়গা লোয়নরিবা চাইল্দ প্রোটেক্সন সর্ভিসশিংগী মখাদা লৈবা চ্যেরপর্সন য়াওনা মেম্বরশিং অমদি ষ্টাফশিং স্কুল ভেন/বস দ্রাইভরশিং, গর্জিয়নশিং অমসুং স্কুলগী ষ্টাফশিং হীদাক কাপথোকহনবীনবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইটসনা হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটকী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

## মসলসানা ইন্দক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিদা নৌনা পেনেল লোয়রশিং ওইনা য়াওরকখ্রবশিংগী ইন্দক্সন কম সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিটসি মীট প্লেটফোর্মগী খূত্থাংদা মসলসানা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমনা শরুক য়াখিদুনা এদভোকেট সী ঐচ মোমোন অমসুং দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি এস সদানন্দনা ৱা ঙাঙখি।

# রজিব গান্ধী লৈখিদবগী কুমওনদা কোংগ্রেসনা এম্বুলেন্সশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধী লৈখিদবগী চহী ৩০ শুরকপা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরিবা অসিগীদমক এম্বুলেন্সশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

এম্বুলেন্সশিং অসি ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়াম্না অনা লায়েংদা মতেং ওইনবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী খুদোল তম্বনি হায়না থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# চীফ মিনিষ্টরনা হোম দেলিভরিগী মোবাইল এপ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা মীয়ামদা অতেকপা মনা-মশিং অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফংহন্নবগীদমক অতোপ্পা মোবাইল এপ্লিকেসন- ফ্রেসকার্ট ষ্টোর লোঞ্চ তৌখ্রে।

ময়াম্না এপ্লিকেসন অসি momamarket.com অমসুং freshcartstore.com দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়বগা লোয়নন্না এপ্লিকেসন অসি অথুবা মতমদা গুগল প্লে ষ্টোরদসু ফংলগনি হায়রি।

এপ অসি এন্দ্রোইদ অমসুং আই ও এস দিভাইসশিংদা ফংলগনি হায়বগা লোয়নন্না এপ অসি চলাইগদৌরিবা ফ্রেসকার্ট অসি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন লোইশঙগী মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোমা) গী এসোসিএট পার্টনর অমনি হায়রি।

ফ্রেসকার্টনসু মোমাগা খূৎশম্নদুনা পেন্দমিক মনুংদা লৌমীশিংনা মখোয়গী মনা-মশিংশিংবু মীয়ামদা ফংহনবদা মতেং পাংগনি হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ গ্রিভান্সেস সেলদা হোম আইসোলেসনগী কেসশিং মোনিটর তৌনবগীদমক ডাক্তর ৪ হাপখ্রে। মখোয়শিং অদুদি ডা. নাওসিন অর্জামান্দ (৭০০৫৫৮৩০৮৩), ডা. রাজলক্ষ্মি থাংজম (৮৬৫০৯১৯৭৪৩), ডা. অয়েকপম পান্থোইস্না চনু (৭০০৫১৩৬৩৭২) অমসুং ডা. হৈস্নাম সুপ্রিয়া (৬০০৯৮২০৩৫৩) নি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৯.০৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.৬৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৫৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Black amasung White funguski laichat mayoknaraktanaba leingakna mangjounana cheksin thourang loukhatpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Imphal airport matam khara thingjinbana Covid-19 positive casesinggi mashing hanthahallakpada mateng oigadra?

Yes 75% No 25%

## অস! লোইরেহে!

- সেকেন্দ ৱেভকী ৱানরিঙৈসিদা এক্সপার্টশিংনা কোভিদকী থর্দ ৱেভকী শেম শারো হায়রিনে।



- মহীকসিবু মখোয়না অদুম শারজাংলা, মখোয় পাবুং?

# ‘কোভিদনা শিবা ইমুংদা লুপা লিশীং ৫০ পীরগনি’

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):
কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিঙাক্লা চৎলবদি ইরাই লাইনা মায়থিবা পীবা ঙমগনি, হৈরোক এ সীগী মনুংদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মী লৈতবা য়াওরবদি লুপা লিশিং ৫০/৫০ অৱাবা তারবা ইমুং অদুদা এম এল এগী মায়কৈদগী তেংবাং পীগনি হায়না হৈরোক এ সীগী এম এল এ দা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হৈরোক এ সীগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা হেন্না শোকহল্লবা খুলশিং মরু ওইনা থোকচোম, বেঙ্গিনচিংবা খুলশিংগী অপূনবা য়ূমথোঙ ৬০০ হেনবদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা মাঙজিল থানা শরুক য়ারদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবনি। ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুদি চেঙ, হৱাই, থাও অমসুং থুমনচিংবনি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা হৈরোক এ সীগী ওইনা থোকচোম অমসুং বেঙ্গি খুল অনী অসিদা কা হেন্না চৈথেং পীরে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## এম এল এনা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীবা থিংলকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) : হৈরোক এ সীগী ওইনা খন্নরোক্ত হাংদোক্লিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা লৈবা মীওইশিংদা ঙসি হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবা চৎপদা সেন্টর অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যামনা অথিংবা পীরক্তুনা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীহন্দনা হলহল্লকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হৈরোক বি সী সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন তোমথিন মীতৈনা ফোঙদোরকখিবদা হান্নদগী সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি এল জাদুমনিদগী অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা চ্যেরমেনগী অয়াবা য়াওদ্রবদি য়ারোই হায়রকখিবগা লোয়নন্না এম এল এনা ফোন্দা চঙবা য়ারোই হায়রকপদগী গেটতগী হল্লকখিবনি হায়রি।

## এম জি নরেগাগী লুপা ক্রোর ১৬০ থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
পঞ্চায়টি রাজ ইনষ্টিট্যুসন (পি আর আই) শিংগী মীহুৎশিংদা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা থাজবা পীখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট লৈঙাক্লা এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা লুপা ক্রোর ১৬০গী শেনফম ঙসি থাদোকখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা অৱাবা কয়া থেংনরবসু স্কিম অসিগী থবক শুরিবা লৈত-লায়রবা জোব কার্দ হোল্ডর মীয়ামগীদমক হৌখিবা নুমীৎ খরগী মমাঙদা লুপা ক্রোর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***“মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা”*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা ‘হুইয়েন লানপাউ’গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্‌ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

**- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ**

# দ্রগ য়ুজরশিং নেগেটিভ ওইরবা মতমদতা দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা থমগদবনি : এম ঐচ আর সী

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :
ষ্টেট অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী ফীভম অসিগী মতুংইন্না লম্ফেল পাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী মায়কৈদগী রাইট টু হেল্থ, রাইট টু ফুদ অমসুং দ্রগ য়ুজরস কম্যুনিতিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং ফোঙদোক্তুনা থবক ওইনা চৎনহন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

এম ঐচ আর সীগী মায়কৈদগী পীখিবা এদভাইজরি নোট অদু প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩না পীবা পৱার অমসুং ফঙ্কসনশিং অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী হ্যুমেন রাইটশিং ঙাক শেন্দুনা য়োকখৎনবগীদমক কম্মিসন অসিদা পীবা তৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংগী মতুংইন্না পীবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরকপদা হ্যুমেন রাইটস ইস্যুশিংগা মরী লৈনবা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি, ফুদ গ্রেনশিং নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা য়েন্থোকপদা মওং-মরীল তাদ্রে হায়বগা লোয়নন্না দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা কোভিদ টেষ্টিং তৌদনা অমসুং দ্রগ য়ুজরশিংগী মশাগী অয়াবা য়াওদনা থমজিল্লে হায়বনচিংবগী মতাংদা লাকপা তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা এদভাইজরি নোট অসি মরী লৈনবশিংদা পীবনি হায়রি।

এম ঐচ আর সীগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লিবা ৱাফমশিং অসি মরী লৈনরিবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, প্রাইভেট সেক্টর এজেন্সিশিং, নন গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা অকক্লনা হ্যুমেন রাইটশিংগী মনুং চল্লিবা রাইট টু হেল্থ অমসুং রাইট টু ফুদনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লদবনি হায়রি।

কম্মিসনগী এদভাইজরি নোট অদুনা রাইট টু হেল্থকী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা পীরকপা ৱাফমশিংগী মতুংইন্ননি ...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-B/6949/27/4-25/5